
# মতাং মতম চানা থাগৎপা-থাগৎতবা

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**




*থবক-থৌরম* খুদিংগী মতাং মতম চাবা-চাদবা হায়বা অমা শোয়দনা লৈগনি। মতাং মতম চানা ফজনা, মায় পাক্না থবক থৌরমদু পাঙথোকপা ঙমখ্রবা/ঙল্লবদি মরী লৈনবা মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনগনি। তৌবদি তৌবা মতাং মতমদি খরা চাফাৎখিদ্রবদি মীয়াম্না হান্না তৌখিবা অদুম হায়নদি থাগৎনরোই। থাক খরা হন্থনা থাগৎনগনি। অকোনবগীসিদি ঐখোয়গীদা 'মতাং চাদনা মেলৈ লাংবা' হায়নবদুনি হায়না লৌগনি। হৌজিক হৌজিক ফোঙ-ফোঙ শারিবা থাগৎপগী মতাং মতম চাবা ইন্দিয়া লৈবাকসিগী ওইনদি পাকিস্থান্দা লৈবা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী মিলিটেন্ট অমনা ফেব্রুৱারী ১৪, ২০১৯দা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সী আর পি এফকী কনভোয় অমদা সুইসাইদ এটেক তৌরগা পার্সনেল ৪০ হাৎখ্রবা মতুং নুমিৎ ১২নিগী মতুং ফেব্রুৱারী ২৬তা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লানশিল্লগা মীরাজ ২০০০ ফাইটর জেট ১২ পাইশিল্লগা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ রোম তাবদা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী কেম্প অমসুং কন্ট্রোল রুম লৈরিবা বালাকোট, বাকোটি অমসুং মুজাফরবাদতা লৈবা টেররিষ্টকী কেম্পশিংদা কেজি ১০০০গী লেজর গাইদেদ বোমশিং থাদদুনা টেররিষ্ট ৩০০/৩৫০ হাৎখি হায়নখিবসিনি। শম্না হায়রবদা, পাকিস্থানি এয়রফোর্সকী এফ-১৬ জেটশিং জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী পুঞ্চ সেক্টরদা পাইশিল্লকপদগী নোংথক্কী লান থোক্লখি। অমনা অমনা জেট প্লেনশিং কাপথনখিবগী ক্লেমশিং তৌনখি। মসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা ইন্দিয়াগী পাইলোট ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামননা থৌবা জেট প্লেনদু পাকিস্থানগী জেট প্লেন অমদগী কাপ্লকপদগী পানবদগী কায়না কায়না হন্দুনা কাপ্পদা পাকিস্থানগী এফ-১৬ জেট প্লেনদু কায়রগা তাখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামননা প্লেনদগী চোংথরগা শোয়দা ঙামদনা পাকিস্থানগী বোর্দর মনুংদা তাশিনবদগী ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈখি। মরকসিদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্থানগী লৈঙাক অনীনা অওক-অথোং তৌনরবা মতুংদা ঈং-তপ্পগী ৱারী শানবা য়ানবা লম্বী ফাৎপা ওইনা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা অদুগা জিনিভা কনভেন্সনগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা অমবু ওইরবসু ফাখিবা চাউরাক্না পুং ৪৮গী মতুংদা মার্চ ১, ২০১৯গী নুমিদাং পুং ৯.০০ খরা হেনবা অদুৱাইদা অট্টারি-ৱাগা বোর্দরদা পাকিস্থানগী রেঞ্জরনা য়াম্না ইকায়খুম্নবা মওংদা থিল্লক্লগা ইন্দিয়াগী বি এস এফকী ওফিসলশিংদা হৌনবী মতুং ইন্না শিন্নরকখিবগী টি ভি (রিপব্লিক) না লাইভ টেলিকাষ্ট তৌখিবদু মীয়াম্না উনখি হায়না থমজগে। মদুদা পীনখিবা কম্মেন্ট খরদি - ''আই এ এফ ওফিসলশিংনা অভিনান্দন ভর্থামন ওক্কনি; 'ইন্দিয়াগী হিরো ঙসি হল্লক্লগনি'; 'প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দনবু সলাম তৌই' অসিনচিংবা হায়দুনা অয়ূক অঙনবদগী মিদিয়া অমদি প্রেসকী মীওইশিং, মরী লৈনবা অমদি মাগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকচনীংবা, হল্লকপদুবু উনীংবা, হরাউবগী জগোয় শাবা মীওই কয়ানা য়াম্না লাংতক্লনা ঙাইনখিবদুনি। ইন্দিয়াগী বোর্দর হেক লানশিল্লকপা মতমদনা 'ইশাগী ইরমদম ইন্দিয়া উবদা নুংঙাইজে' - তশেংনা হায়ফম থোকপনি। লানগী হিরো অমা য়েক্লবগী খূৎতা লানফা ওইরুরগা হল্লকপা হায়বসিদবু মশা অমদি ইন্দিয়া লৈবাকসিগীদমক্তসু য়াম্না ফবা অমদি চাউথোকচনীংঙাইনি হায়দবা য়ারোই। শিবদগী হল্লকপা ফাও হায়বা য়ারিবনি। ঐখোয়গী ইরমদমসিগী ওইনা অহল লমনশিংনা হায়নবা পাউরৌ - 'শিরুবদগী হল্লকপসি-মশাগী চেঙ লৈবদগীনি' হায়নরিবনি। মসিগী ৱাহন্থোক অমদি অরুবা তানফম খুদম ওইনা লানগী মতমদা/য়াম্না ৱানবা মতমদা অতৈমক লৈত্রবফাওবদা চানবা চেঙ লৈরবদি হিংখিনি হায়না লৌনরিবনি। অদুনা চেঙ লৈবদগী হিংলকইবনি হায়না লৌনরিবনি।

মতাং অসিদা হন্দক অভিনান্দন ভর্থামননা পাকিস্থানগী জেলগী কষ্টদিদগী তেক্তা কায়দনা হল্লকখিবসি ইন্দিয়াগী ওইনা থোইদোক-হেন্দোক্না হৌজিক ময়োল লৈঙাক পায়রিবসিগী মায় পাকপা অমদি চাউথোকচনীংঙাইনি হায়না থমজগে। অদুগা ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনগী ইমুং-মনুং, মরী-মতাগীদমক্তদি তাইবঙ শেন্বা মপূনা অনীশুবা মপোক অমা পীবিরবগুন্বনি হায়না লৌবফাও য়াই। অইবা ইশানসু কলমসিগী খূখাংদা ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনবু য়াম্না অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা টামিল নাদুগী অরংবা থৱান্মীচাক অমনি হায়না শিংথাজগে। ইন্দিয়াগী মীওই মিলিয়ন ২৬ লোম্নসু ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনবু থাগৎপগা লোয়ননা মাগীদমক চাউথোকচফম থোকই। অমুকসু হায়জনীংবা অমদি ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী মতিক চারবা ওফিসর অমা ওইনসু ইন্দিয়ন এয়রফোর্স, লৈবাকসিগী ওইনা লৈরিবা নোংথক্কী লৈবাকসি ঙাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌবিরিবা দিফেন্সকী ৱিং অমগী তোমথিন ঙানবা ওফিসর অমা ওইনা চাউথোকচফম থোকই। মতাং মতম চানা থাগৎচনীংবা ৱাফম অমদি 'পাইলোট অমা ওইনা থবক তৌবা য়াবগী চহী লৈরবদি হেন্না চাওখৎপা ফমথোন থিন্দোকচহন্নীংই' হায়না ইন্দিয়াগী ময়োল লৈঙাক্কী মফমদা হঙ্গৎচনীংই। করিগীনো হায়বদা - হিংনা ফারুরগা হিংনা হল্লকপনিনা পাকিস্থান লৈঙাক্কী ওইবা মওং মতৌ অমদি পুং ৪৮ রোম মফমদুদা লৈরিঙৈদা উরকপা খঙজিল্লকপা খরদুদগী লৌবা য়াবা কান্নবশিংদুগা চাংদম্নরগা করি তৌবা য়াবা-য়াদবা হায়বদুসু ইন্দিয়ানা খঙজিনবদা কান্নগনি খঞ্জে। শম্না হায়রবদা - তাইবঙ শেন্বা মপূনা ওইজ-ওইথক, কান্নবা ফংজৌ হায়বগীদমক ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনবু এফ -১৬কী মতিক ময়াই লৈরবা জেট প্লেন অমবু মশানা থৌবা জেট প্লেনদু য়েক্লবগী মরূনা (নোংমৈ/রোকেট) না পান্দুনা কায়রবা মতমদা ৱাখল লৌশিং অমত্তা মাঙদনা হন্দুনা নোংমৈ/রোকেট য়েক্লবগী মায়কৈদা কাপশিল্লগা থুগাইরন্বা হায়বসি থথা/অরাইবা থবক নত্তে। মপূনা মহাকপু শোয়দা-ঙামদনবা থৌজালবিবদগী ওইখিবনি/ঙমখিবনি হায়না থাজবা থমজগে। আট্টরি ৱাগাদা হরাউবা ফোঙদোক্তুনা অয়ূক্তগীনা নুমিদাংগী পুং ৯ খরা হেনবা ফাওবা চোংদুনা হরাউ কুম্মে, জগোয় শাখিবা-শাখিবীশিং অমদি চেকশিন্না ঙাকশেনবগী থৌদাং লৌবিখিবা আর্মিশিং, বি এস এফশিং অমদি পঞ্জাবকী পুলিস ওফিসিয়েলশিং, মশাগী ফোর্স ওইবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ওফিসিয়লশিং অমদি মখল মখাগী কম্মেন্ট কয়া খন্ন-নৈনদুনা সেকেন্দ অমগী মতম কাংদনা চখিবা রিপব্লিক টি ভি চেনেলগী ষ্টাফশিং, প্রেস অমসুং অতৈ মিদিয়াগী মীওইশিং পূন্নমক্না ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনগীদমক অৱা-নুংঙাই খাঙখিবদু পাক কাউগনি থাজদে।

মথক্কী অৱা-নুংঙাইগী শরুকসিদগী খরা নাথৈরগা মতাং মতম চাদনা থাগৎখিবগী থৌওং অমদি লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাকসিগী মীয়াম্না অদুক লাংতক্লনা ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামন থাদোরকপা ঙাইরিঙৈদা নংহৌররোইদৌবা মতাগুম টামিল নাদুগী কন্যাকুমারীগীদা মীয়াম তিনবা মীফম অমদা লৈঙাক্কী ওইবা তৌখ্রবা/তৌরিবা/তৌরক্কদবা প্লান/প্রোজেক্ট/স্কিম কয়াগী মতাংদা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫লকশুবা লোক সভা মীখলগী ভোট খোন্বা মানবা মওংদা অচৌবা মীফম অমা নুমিৎতুদা পাঙথোকখিবদুনি। ফৎতে হায়বদি নত্তে হায়রবসু মমাঙদা হায়জখিবা মতাং চাদনা মেলৈ লাংবা হায়বা থৌদৌদুনি হায়নীংলকপা অমা য়াওবগী ৱাখলদা ফাওরকপগী ৱানি। য়াম্না ফজখি। বি জে পিগী ৱাখল্লোন পামজবা মী কয়া অমগী অপূনবা শক্তম উবা ফংখি। য়াম্না মপূং ফাখি হায়নসু হায়জনীংই।

পোলিটিক্সকী ৱাফম নত্তবিদা ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনবু য়াম্না ৱাংনা থাগৎপগী ফোঙদোকখিবা ৱারোল খরদি - ''ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামন টামিল নাদু ষ্টেটসিগী মচানি, মাগীদমক ষ্টেটসিনা চাউথোকচফম থোকই।'' 'ইন্দিয়ন খুদিংমক্না এয়রফোর্স পাইলোট অভিনান্দন ভর্থামনগীদমক চাউথোকচৈ।' 'ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামনবু সলাম তৌই' অসিনচিংবা থাগৎ ৱাহৈ কয়া হায়দুনা পাকিস্থান্না ফারুবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামন থাদোরকপগী হরাউ নুংঙাই তাঞ্জাদা লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱিং কম্মান্দরসিগী মশাগী ষ্টেটতা চৎলগা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাক্কদৌবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা ভোট খোন্বসি লৈবাকসিগী লৈরিবা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমদি থাদোক্কনি পান্নরন্বা মতম নুংথিলগী পুং ৪দগী থেংথনা নুমিৎতুগী নুমিদাং পুং ৯ খরা হেনবা মতম য়াম্না লাংতক্লবা মতমদু নাথৈরগা ভোটকী ফজরবা, পূক্নিং শুমহৎনীংঙাই ওইরবা ৱাফম থমখিবা খূৎথাগৎতু ইন্দিয়াগী লৈবাক মীয়াম্না মতাং মতম চাবা অমরা হায়না হংনীংলমগদ্রা হায়বসি ৱিং কম্মান্দর অভিনান্দন ভর্থামন ইন্দিয়াদা তশেংনা খূৎশিন্নরকত্রিঙৈগী তাঞ্জাদুদা ওইবা ফীভমদুগা মরী লৈননি হায়না থমজগে। শম্না হায়জরবদা, য়েক্লবা লৈপাকশিং ওইনবগা লোয়ননা থাদোক্তবা য়াবগী ফীভম ওইরক্লবদি লৈঙাক্কী ওইবা অরুবা ৱারেপ করি লৌগদগে হায়বনচিংবা খন্নগদবা মতাংদা পার্টিগী ওইবা ভোট খোমদুনা দেল্লি থাদোক্লগা অথাপ্পা ষ্টেট অমদা লৈবসিনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদগী পার্টিগী ওইবা প্রোগ্রাম্না হেন্না মরু ওইনা লৌফম থোকপা/থোক্তবা- হৌদি হৌখ্রে! ফজবদি খরা ৱাৎপরা খঞ্জে।⏮

# পাবুংদো! পাবুংদো লৈখিদ্রে

**ডা. এম প্রিয়ব্রত**



*মরুপশিংনা* তত্তনা হংই : পাবুংদি ? ঙাইহাক তুমিন লৈরগসু খুন্বা তাখি, পাবুং লৈখিদ্রে। অদুবু ৱাহৈ অসি অরানবনি। থম্মোয় অসিনা কন্না য়ানীংদে। মসিসু অঙকপনি। অশেংবা ৱাফম অসি অদুক লায়না য়াজবা ঙমদে। মরমদি, পাবুং তাইবঙপাল থাদোকখ্রে। থাদোকখিদ্রি হায়রগদি ঐ অঙাওবা তারগনি। অদুবু মসিমসু শেংই: পাবুং ঐঙোন্দদি হিংলি। ঐগী থম্মোয়না পাবুংবু থাদোকপা ঙমদ্রি। পাবুংনসু ঐবু থাদোক্ত্রি খল্লি। পাক থাদোকপা ঙমগনি থাজদে। থাদোক্লরোই। পাবুংনা ঙসি ওইরিবা অসিগুম ঐসু ওইরবা মতমদতা থাদোক্কদবা মঙায়রে। ওন্থোক্লা থীনা তম্লন্বা লাইবক হায়বদুনি। তাইবঙপাল পূন্বা বসন্ত ঋতু চঙলকপা হৌনশা হরাউ মথোয় কারি। অনৌবা য়েন্নিংনা মালেম মালহৌনরে ঙসি। অদুবু মমখ্রবা অহিংগী অতিয়াসিদা নীংবা কায়বগী ময়ি অমত্তসু চিংদে। নোংঙাল্লমদাই পোন্বী চেক্লাগী শৈশক তারক্লে। পাবুংগী থৱায় কল্লু হায়রম্মী। কনগনি ৱাশক অমগা লোয়ননা পাবুংবু পুরগা হোস্পিটালদা লাকপনি। হৌজিক্তি পাবুংগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু কোল্লগা অহিং চূপ্পা লেল্লি! ঐগী কার মনুংদা। হোস্পিটালদগী থোরক্লগা লম্বীগী চিদায় অমদনি। য়ূমদা পাউ পীখিদে। শুপ্নতগী ওইজবা থিবা অমখক্কীনি। নুমিদাংৱাইরমদগী নোংঙানবা ফাওবসে পাবুংবু কোন্দুনা লেল্লগে লেপ্লে। নিংথম অহিং মীৎশেন খাঙদুনা পাবুংগী মায়থোঙদা শংত্রিক য়েংদুনা লৈ। শিরবা হায়বদুরা সিবু? ওন্থোক্লা পকচখিদ্রে! কদায়? অশিবা হায়বদুনা পাবুংবু লৌবা লাকপ্রা মরক মরক্তা মপান্দা য়েংথোক্লুই। মরক মরক্তা য়ূমদগী হংলকই: পাবুং কমদৌরি? ঐনা খুম্মী করিসু তৌদে, পাবুং পোত্থারি। কনাসু লাক্কনু। পাবুং নুংঙাইনা পোত্থারি।

অদুবু! নোংমতসু পোত্থাখিদবা পাবুংনি। মহাক্না হিংলন্বা মওং অদুনা ঐবুসু পোত্থাফম খঙহন্দে। শাংখ্রবা মতমগী খোঙচৎ অমনি পাবুং ঐখোয় অনী চৎমিন্নখিবা। পুন্সিগী খোঙচৎ, অদুগা সাহিত্যগী খোঙচৎতসু। নোংমতা লৈহৌরো পোত্থাহৌরো হায়জবা য়াখিদে। মদু হেক হায়রুবগা ৱারৌবনা হাল্লি। হৌরমদনা চৎলুরগনা নোংমা নীনিদি ৱা ঙাঙনদে। য়ূমদসু ইশৌ য়াম্না লাংই হায়দুনা ইমানা তম্মী। মরুপ-মপাংশিংনসু হেক্তা হংই: পাবুংদি? ঐ খঙই : পাবুং য়াওদনা ঐনা চৎপসি পকত্রে। মীয়াম্নসু ইয়াঙ য়াঙনা উরে। থৌরম মফমদা করিগুন্বদসু চৈবীরকপা য়াওই : পাবুংগী শরুক য়াওনা চাদবা য়ারোই। পাবুংগীসু চেবাউ পীজরন্বা নৎত্রা? খঙই, নহাক্তনা পাবুংদা নমথাক তৌবীরন্বা ওইরমগনি...। খঙহৌদে, অকনবা লীপুন অমনা চেৎনা পুনশিল্লকখি। অনকপা অরাপ্পা খায়দনা সাহিত্যগী থৌরম পূন্বদা অরেপ্পা খোঙলোয় ওইমিন্নখি : ককচীংদা, থৌবালদা, মোইরাংদা, য়ুরেম্বমদা, ৱাংজিংদা, তেন্থাদা, লাংমৈদোংদা। ওন্থোকপা অমসু থোকখ্রে। সাহিত্য একাদেমিগী মীটিং কোলকটাদা ঐ চৎকদবনি। হাপ্তা অমা উনরোইদবা মতমদু নকশিল্লক্লে। পাবুং ঐগীদা অহিং লাক্তুনা পোত্থামিন্নরে। শুপ্নতগী ৱাহং অমখক্কীনি: কয়াম কুইরক্কনি হায়বা, তাং কয়াদা য়ৌরক্কদবা? ঐ খঙই, পাবুংগী থম্মোয়দু কপ্লি। ঐগীসু! থেমজিনবা ঙমগদবা অমত্তা ঙায়রবা পাউখুমদু পীদবা ঙমখিদে: পাবুং এরোপ্লেন তোংবা কিগদ্রা? খুদক্তা খুন্নকখি : কিদে! অতোংমলদি কয়ানো? অতোংমলদি য়াবীবগী লমননি! ঐনা খুমখি। নোংঙানবগা ইমাদা য়াথং নিজৈ: পাবুংগা তির্থ চৎচরুগে। পুরিদা জগনাথ ক্ষেত্রদা। ইমানা থৌজালবীরকখি : নঙগী পাবুংগী থৌগল নঙনা চত্তনা কনানা চৎলুনি? চৎমিন্নখি। কোলকটা ফাওবা এরোপ্লেন তোংমিন্নখি। জগনাথ এক্সপ্রেসতা পুরি য়ৌমিন্নখি। থাদোক্লবা ঙমখিদবা হকচাং অনীদু সমুদ্রগী ঈথক্না হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈখি, চেন্থখি।

পাবুং! অঙনবা পুন্সিগী তাঙ্কক্তা খঙন-চান্নখিবা লৈতে। য়াচং মতমদা তৎন-থান্না ঙমদনা চৎমিন্নখিবা খোঙচৎনি। পাবুংনা লীবদগী খঙই : মতম অমদদি ৱাবগাই লৈরক অচৌবদা নীলনা পাল্লন্বা বামোন ইমুংনি। ঐসু তেন্থাদগীনি। চীংশাং অমনা খনবনি ৱাবগাই তেন্থা। অদুবু উন্নখিদে। চহীগী খেন্নবা অমসু পল অমনি। চহী কুনমঙা খেন্নৈ পাবুংগা ঐগা। ঐনা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ওজা ওইনা হোংগৎলকপা মতমদু ইশাগী চহী নিফুনিপাল শুরকপা, কুমজা ২০০৫দনি। পাবুংগা শকখঙনবনা চহী অনীগী তুংদা। হিংমিন্নবা ফংজখিবনা চহী তরানিথোই মপূং! কুমজা ২০১৯গী ফেব্রুৱারী থাগী অনীশুবা চয়োল হৌগৎলকপদা পাবুংনা ঐবু থাদোকপীরম্লে। ইথন্নতা অচিকপদা। অদুগা পিরাংলক্তা অতৎ অখম লৈত্রবা নীংশিংবলক্তা।

অহানবা খঙনখিবদু য়াম্না চম্ননি। বামোন লৈকায়গী হোটেল অমদনি। হোটেল ৱারীদা পাবুংনা খুন্নকপা পাউখুমদো ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইনা থোকখি। ঐনা তুমিন্না শোনখি : পাবুংগী চাগী পৈশা নচানা কৎচরে। 'হরে কৃষ্ণ', পাবুংনা শোনখি। মথংগী নুমিত্তা পাবুং হোটেলদা থোরকপা উদে। হোটেল ইমানা হায়রকখি : 'অজ্ঞা পাবুং লেংথোক্লম্লে। ইবুংঙোগী চাগী পৈশা পীরম্মে।' অঙকপনি চা গ্লাস অমতগী য়ূম্ফমদা শাগৎখিবা মরী! কদায়দনোনে? য়েংনবা হৌরকখি। লৈহৌখিগদ্রা? হংনদবা ঙমখিদে। উন্নদ্রগদি নুংঙাইতবা ফাওনরকখি। চহীগী কাঙলূপ-ফুরুপকী, লমদমগী খেন্নবা পূন্নমক খুদক্তা লৈখা তাখি। লাংতক্লবা অমনা তপ্না তপ্না খুদুম চনশিল্লকখি।

নুমিৎ থোরকই। অমুক তাখি। অসুম্না হৌখি মতম কয়া। তাইবঙপালগী মীশক কয়ানো - উন্নখিবা, খঙনখিবা, তিন্নখিবা, অদুগা অমুক হন্না উন্নবা ফংখিবা, কাউনখিবা! অদুবু অঙকপা অমা থোকখি পুন্সিসিদা! পাবুং অমসুং ঐগী মরীসিদি তাইবঙ শেন্বা মপূনা তম্লন্বগুম - অমনসু নুংশিবীবা অমনসু নীংজবা - খঙদে ভক্তি-প্রেম হায়বদু ওইরিগদ্রা? অমনা নুংশিজবা অমনা লায়থোকপা হায়বদুদি ওইখিদ্রে। খঙহৌদে অমনা অমবু উদ্রবদি লৈঙমদবগুম অমনা অমগী মায়কৈ তম্না খোঙথাং কয়া থাংখি। তত্তনা উনখি। ফমিন্নখি। চৎমিন্নখি। করি অমুক হায়রুনি - নুমিদাং খুদিংগী পাবুংগীদা চাক চাখি। মসি অঙকপনি। অদুবু তশেংনা থোকখি। নোংমতং চাক চাদনা লোন্না চেল্লকপদা পাবুংনা তান্নরকখি। কোয়শেন শেন্নখি। ৱারৌ-পূক্লৌগী ৱা য়াম্না তাখি। চামিন্নসি, চৎমিন্নসি, উন্নসি হায়বসিতনা মপূং ওইখি। পুন্সি-চূপ্পা কায়নবা য়াদে হায়বসিনা চেৎনা পূনখি। পুন্সি হায়ববু করিনো? ঐনা নুংশিজবা, ঐবুসু শেংনা নুংশিবীবা মীশক অমত্তং ফংলগা লোইরে। পাবুংদো লেপ্পীখি অৱা-নুংঙাই মীৎকুপ খুদিং, ঐগী অখাক-অরাও, নিংথম-কালেন, হৱা-নুংশিৎ খুদিং। অসিগুন্বা মরী অমদদি কখোক্লবতা পান্দম ওইখি, লৌশিন্নবা ৱাখল কাউথোক্লখি। খঙলকখি, পূক্নিংদা লাকখি মঙাল অমা- পুন্সিদা পীথোকপগী কখোকপগী নুংঙাইবা।

মীয়াম্নদি লক্লবীখি। নোক্লবীখি। করিনো - চহীসু, ফুরুপসু তিন্নবা নত্তে। করিগীনো অনীসিনা অসুক নক্লনা তিন্নরিবা! হৌজিক মতমদদি অসিগুন্বা নুংশিনা লোয়ন-তিন্নবসি উবা ফংখিদবা কুইরে। অদুবু করি কায়বগে? ঐগী পূক্নিংদা তত্তনা হংখি। পাবুংসু মথন্তা হংলমগদবা মাল্লি: করি কায়বগে? ঐনা পাবুংগী তুং ইন্দুনা শুম চৎপদা করিবু কায়বগে? পাবুংনা হকচাং ওইনা ঐনা মমি ওইনা কোইন-ইন্নদুনা মফম খুদিং চৎপদা তাইবঙ থম্মোয় শোক্কদবসি করিনো? চৎমিন্নবা ফংদবা অদুনি অতিয়া অসি নীংখায়রক্কদবা মাল্লিবা ! চৎখি-পাবুংগী তুংইন্না - মরক মরক্তসু ঐনা মাং থানা! খঙদবা নত্তে - চৎনবী, লাইনীং, ঙাঙনবা, নৈনবা! খঙদবা নত্তে - নুংশি - চান্নবা হিংমিন্নবা অতাঙবনি। ওইরন্বা য়াই অরিবা কুইরবা মতমগী। অদুবু ওইথোকই। ওইথোকখি - পাবুং অমসুং ঐগী থম্মোয়দা।

ঙসিদি! পাবুংদু উবা ফংখিদ্রে। তুং হন্না য়েংথোকখিবদা খুদক্তা মাঙখিবগুম, উখিদবগুম থোকখ্রে। পাবুং য়াওদনা কদায়দা করম্না? পুন্সিসিদা পাবুং য়াওদবা ওইথোকপ্রা? নুমিৎ খরসি ইথন্তা অহাংবদা চৎলি, ফম্মী। পাবুংবু কৌই, ৱাহং অসি তত্তনা হংই। পাবুংগী মোংফমদসু অহিং অচিকপা তাঞ্জাদা চৎতুনা হংই: পাবুং। মসিবু অশেংবরা? পাবুংনদি নোংমা ফাগি ওইনা হায়খি: শিবগীদি কিবা লৈতে, তত্তনা খল্লিবদি নহাক লৈহৌগদবা অদুনি। ঐনা খুমখি : পাবুং শিরোই, ঐসু লৈহৌরোই। ঙসিদি। পাবুংনা হায়রন্বা অনীমক চুন্লে। ঐনা খুমখিবা পাউখুম অনীমক লাল্লে। অদুবু সুম খল্লুরগা খঙলকই : ঐ লান্দে। পাবুং শিখিবা লৈতে, ঐনা ঙসি লেল্লিবা মওংসিদি হিংবা হায়বদু নত্তে। ঐ লান্দে। পাবুং শিখিবা লৈতে। ঐসু হিংবা হায়বদু ওইদে। অদুবু! অশেংবা তাইবঙদা অদুম হঞ্জিল্লকপা মতায়! পংবুংদো লৈখিদ্রে - কৈদৌনি:

'Fled in that music - Do I wake or sleep?'⏮

## মরোল থোকপা লাই




*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*